# ইন্দিয়ানা বাইলেটরেল সেরিজ পাঙথোক্লবা অয়াবা পীদ্রিবা ফাওবদি পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াদা চৎতুনা শান্নরোই ঃপি সি বি



করাচি, ফেব্রুৱারী ২৭ঃ

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না পাকিষ্টানগা ন্যুএল ভেন্যু অমদা নৎত্রগা পাকিষ্টানমক্তদা ৱাইলেটরেল সেরিজ পাঙথোক্লবা অয়াবা পীদ্রিবা ফাওবদি পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াদা চৎতুনা সেরিজ অমত্তা শান্নরোই হায়না পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) গী ইগজেক্যুটিব কম্মিটিগী মকোক নজাম সেথিনা ফোঙদোকখ্রে।

পি সি বিগী ৱাফম অসি হন্দক্তা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী নেসনল ক্রিকেট টিমবু ইন্দিয়ানা যুম্ন্বু ওইদুনা মথং মথাদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ দা শরুক য়ানবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি।

ঐখোয়না লৈবাক অনী অসিগী বাইলেটরেল সেরিজ অমুক হন্না পাঙথোক্লবা শেম শাদুনা লৈরি। অদুবু সেরিজ অসি পাকিষ্টান নৎত্রগা অতোপ্পা লৈবাক অমদা পাঙথোক্কদবনি। ইন্দিয়ানা ঐখোয়গী টিমগা শান্নদবদগী হৌখিবা চহী খরা অসিদা ঐখোয়গী শেমীৎলোননদা য়াম্না চাউনা শোকচিনখিবা অসি মেনখৎনবগীদমক ঐখোয়না যুম্ন্বু ওইদুনা মপুং ফাবা সেরিজ অমা পাঙথোকপা পাম্মী হায়না হৌজিক চথুরিবা পাকিষ্টান সুপর লীগকী মকোকসু ওইরিবা নজাম সেথিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়না ইন্দিয়াগা ক্রিকেট মশান্নগী লমদা অফবা মরী থম্বা পাম্মী। মসিগী মরুওইবা মরমদি লৈবাক অনী অসিগী লৈনরিবা হিরম খুদিংমক্তা চাউনা মতেং পাংনগনি হায়বসি থাজে। ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা মসিগীদমক মতিক চাবা থৌদাং অদু হন্দকসু পাঙথোক্লি। অমরোমদা, ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদা সেরিজ অনী শান্নগদবা লৈরিবদু হান্না ইন্দিয়ানা পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম থমখি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা কুমজা ২০০৭ তা মুম্বাইদা থোকখিবা টেরর এটেক অদুগী মতুংদা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদা চৎতুনা ক্রিকেট শান্নরক্ত্রিবনি। পি সি বিনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা ক্রিকেট সেরিজ পাঙথোক্লবা হোৎনখ্রবসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মসিগী টিমদা অয়াবা পীদে হায়না বি সি সি আইনা ফোঙদোকখিবদগী পাকিষ্টাননা হোৎনখিবা পুম্বা অরেম্বা তাখিবনি।

অমরোমদা, পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) না ৱেষ্ট ইন্দিজগী লেজেন্দ সার ভিভ রিচার্দসপু মথং থাদা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি টি ২০ গীদমক লৈবাক অদুগী নেসনল টিমগী মেন্টর ওইনা থৌ পুহন্নবা হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাখ্রে।

ভিভ রিচার্দসনা ৱাফম অদুগী মতাংদা ৱারী শানরকখিবদু নাকল অনীনা শেলগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমদবা অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজগী লেজেন্দ অসিনা মহাক্কী ৱর্ল্ড টি ২০ দা তৌগদবা থবক থৌরম ময়াম অমা লৈখিবনা মায় পাকখিদ্রে হায়না পি সি বিগী চেয়রমেন শাহয়ার্র খাননা হায়খি।

শাহয়ার্রনা মখা তারদুনা হায়, শ্রীলঙ্কাগী হান্নগী কেপ্টেন কুমার সঙ্গাকারবু পাকিষ্টানগী মেন্টর ওইনা থৌ পুহন্নবা ঐখোয়না খন্নরি। অদুবু চপ চাবা ৱারোইশিনদি হৌজিক্কী ওইনা লোইশিনবা লৈত্রি। মহাক্না মেন্টর ওইবা মতমদা টিমদা কয়ামুক য়াম্না কান্নবা পুরকপা ঙমগদগে হায়বদু ঐখোয়না য়েংশিল্লি হায়না শাহর্য়ারনা হায়খি।

পাকিষ্টান ক্রিকেট টিমনা লৈবাক অদুগী হান্নগী শান্নরোয় অঝার মাহমুদপু হৌজিক পাঙথোক্লিবা এসিয়া কপ অমদি ৱর্ল্ড টি ২০ গী বোল্লিং কোচ ওইনা খনখ্রবনি। পাকিষ্টান ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইরিবা ৱাকর য়ৌনিসসু চহী অসিগী জুলাই অমদি ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইংলেন্দ টুর ফাওবা মখা তানা লৈথখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# ভিজেন্দরনা মার্চ ১২ দা হঙ্গেরিগী অলেকজেন্দর হোভার্থকা লম্বা তৌদুনা থিন্নরগনি



লন্দন, ফেব্রুৱারী ২৭ঃ

মায়থিবা য়াওদনা ফিরাল মমায় চুম্না চঙশিল্লক্লিবা ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল বোক্সর ভিজেন্দর সিংহনা লাক্লিবা মার্চ ১২ দা লিভরপুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাক্কী মরিশুবা বাউটতা হঙ্গেরিগী অলেকজেন্দর হোর্ভাথকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

কুমজা ২০১৫ গী ওক্টোবরদা ভিজেন্দর সিংহনা প্রোফেসনেলগী অহানবা বাউট শান্নখিবা অদুদগী হৌনা মিদ্দলৱেথ কাঙলুপতা ফাইট তৌনখিবদা ঙসি ফাওবা বাউট অহুমমক্তা মায়োক্লখিবা লম্বাশিংবু নোক আউটতা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্লা চঙশিল্লকখিবনি।

অমরোমদা, বাউট মঙারক মায় পাকখ্রবা হঙ্গেরিগী অলেকজেন্দর হোর্ভাথনা ভিজেন্দরগা অকনবা লম্বা তৌদুনা মহাক্কী তরুকশুবা বাউট মায় পাক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরিবনি। অলেকজেন্দর হোর্ভাথনা হৌজিক ফাওবদা রাউন্দ ৩১ শান্নখ্রবনা ভিজেন্দরদগী হেন্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্রোবোক্সর ওইরি। অলেকজেন্দরনা মমাঙদা স্লোভাকিয়া অমদি ফ্রান্সনচিংবা লৈবাকশিংদা চৎতুনা ফাইট তৌনখ্রবনা মহাক্না অতোপ্পা লৈবাক্তা চৎতুনা ফাইট তৌবদা অকিবা লৈত্রি।


ভিজেন্দর সিংহনা হায়, ঐনা ইয়ুম লমদম ইন্দিয়াগী মীয়াম মমাঙদা ফাইট তৌবা হায়বসি ঐহাক্কী মতম কুইনদগী খন্দুনা লাক্লবা মঙলাননি। ঐহাক্কী মঙলানবু হোভার্থনা কৈদৌঙৈদা থুগাইবা ঙল্লোই। ঐগী মায় পাকপগী লম্বী অসি মখা তানা চথখিগনি অমদি হোর্ভাথপু মায়থীবা পীদুনা মথংগী বাউটকীদমক শেম শাদুনা অহানবা টাইটলগীদমক ইন্দিয়াদা শান্নবা হায়বসি য়াম্নমক মরুওই হায়বা ৱাফম ভিজেন্দরনা থমখি।

মহাক্না মায়োক্লগদৌরিবা লম্বা হোভার্থপু তমথিবা মীওই অমা নত্তে হায়বা ৱাফম থল্লদুনা হোভার্থ অসি ঐগীদমক চপ চারবা লম্বা অমনি। মহাক ঐঙোন্দগী রাউন্দ মশিং হেন্না শান্নদুনা এক্সপরিয়েন্স খরা হেন্না লৈরে। অদুমকপু ঐগী লৈজরিবা থৌনা অসি মহাক্না মায়োক্লবা ঙমগদ্রা হায়বসি ঐহাক্না কন্না খল্লি। ঐগী পঞ্চ অসি মহাক্না মায়োক্লরকপা মতমদা মতম শাংথনা রিংদা লেপ্পা ঙমগনি হায়বসি থাজদে হায়না ভিজেন্দরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মার্চ ১২ দা ফাইট তৌনগদৌরিবা অসিনা চহী অসিগী ঐগী অহানবা ফাইট ওইবনা ঐঙোন্দা চাউথোকচবা অমা ওইরি। ফাইট অসিগীদমক লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং শেম শাদুনা লৈরবনা লিভরপুলদা হোভার্থকী মায়োকতা ঐগী চপ চাবা থৌদাংদু উৎথোক্লগনি অমদি ঐগী অহানবা টাইটলগীদমক শেম শাদুনা লৈরে হায়বদুসু খঙহল্লগনি হায়না ভিজেন্দরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ভিজেন্দরগী ওপোনেন্ট ওইগদৌরিবা অলেকজেন্দর হোভার্থনা হায়খি, ভিজেন্দরগী লৈরিবা অশোনবা ময়াম অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মহাক্না অহানবা ওইনা ময়ুম লমদমদা টাইটলগীদমক থিনদৎননবগী মঙলিবা মঙলান অদু অরেম্বা তাহনগনি। ঐগী মমাঙদা বোক্সর অহুম ভিজেন্দরবু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা অরেম্বা তাখ্রবসু মহাক্কী অহানবা টাইটল বাউটকী শাগৎলিবা মঙলান অদু থুগাইবা হায়বসি ঐগী থৌদাংনি। ভিজেন্দরগা ফাইট তৌননবগীদমক ঐঙোন্দা অকিবা পোকহন্নবা নৎত্রগা ঐবু অহিং তুমহন্দনবা পোৎশক অমত্তা ভিজেন্দরদা য়াওদে। মরম অদুনা মহাকপু মতিক চাবা পাউখুম হন্ননবগীদমক ঐহাক নীংথিনা শেম শাদুনা লৈরে। মহাকসু মহাক্কী অঙাঙবা মখজাইদু ঐগী পঞ্চ ওক্লনবা শেম শারম্লগনি খল্লি। মহাকপু নমথবদা ঐগী পঞ্চ অনীরক নোৎপগী মথৌ তারোই হায়না খল্লি হায়না হোভার্থনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# গুরমীট সিংহনা কিলোমিটর ২০ গী ৱক্ক রেসতা গোল্ড লৌখ্রে, ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়ন মাপন্না রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাইয়িং টাইমিংদগী ফগৎনা চৎপা ঙমখি



জয়পুর, ফেব্রুৱারী ২৭ঃ

উত্তরাখান্দগী গুরমীট সিংহনা মফম অসিদা চথুরিবা নেসনেল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোমিটর ২০ গী রেস ৱর্কতা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফায়িং ষ্টেন্দর্দতগী ফগৎনা চৎতুনা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়ান তরেৎনা ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং ষ্টেন্দর্দ য়ৌদুনা রেকোর্দ থমখ্রে।

রিও ওলেম্পিক্স ক্বালিফাইয়িংগী টাইমিংনা ১ঃ২৪.০০ সেকেন্দনি। অদুগা গুরমিট সিংহনা ১ঃ২১ঃ২৪.৫৭ সেকেন্দ চৎতুনা নেসনেল চেম্পিয়নশিপকী অহৌবা নুমিৎতা গোল্ড মেদল লৌখি। টামিলনাদুগী কে গনাপতি অমদি হরিয়ানাগী সন্দিপ কুমারনা মথংশিংনা ১ঃ২১ঃ৫১.৪৩ সেকেন্দ অমদি ১ঃ২১.৫৬.৮১ সেকেন্দ চৎতুনা সেকেন্দ অমদি থার্দ তাখি।

কেরলাগী নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডর কে টি ইরফাননা ১ঃ২২ঃ১৪.০২ সেকেন্দ, উত্তরখন্দগী মনিশ সিংহনা ১ঃ২২ঃ১৮.৮৯ সেকেন্দ, হরিয়ানাগী দেভেন্দর সিংহনা ১ঃ২২ঃ৪০.৬০ সেকেন্দ অমদি হরিয়ানাগী নীরজনা ১ঃ২৩ঃ৩৪.০২ সেকেন্দ চৎতুনা মথংশিংনা মরিশুবা, মঙাশুবা, তরুকশুবা অমদি তরেৎশুবা তাদুনা রিও গেমসকী ক্বালিফাইয়িং টাইমদগী ফগৎনা চৎপা ঙমখি।

গনাপাটি, ইরফান, দেভেন্দর অমদি নীরাজনা রিও গেমসকী রেস ৱাক্কিংগী ষ্টেন্দর্দদগী ফগৎনা চৎখি অদুগা গুরমীট, সন্দীপ অমদি মনিশনা মমাঙ চহীদসু রিও গেমসকী ক্বালিফাইয়িং টাইমদগী ফগৎনা চৎপা ঙমখিবনি।

হৌজিক থোরক্লিবা প্রোব্লেমদি ওলেম্পিক্সতা ইভেন্ট অমদা লৈবাক অমগী এথলেট হুমখক্তংমক ক্বালিফাই ওইগদবনি হায়না লৈরবসু ইন্দিয়াগী এথলেট মাপন্না নুপাগী কিলোমিটর ২০ গী রেসতা ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িংগী টাইমিংদগী ফগৎনা চৎপা ঙল্লবনা করম্ববু খুদোংচাবা পীগদগে হায়বসিদা চমম্নবা লৈবনি হায়রি। অদুমকপু মখোয় ময়ামগী মরক্তা মনিশ অমদি মন্দীপ অনীনা কিলোমিটর ২০ অমদি কিলোমিটর ৫০ গী ইভেন্টতা নিংথিনা চৎতুনা মশক থোকপা থৌদাং উৎপা ঙম্বনা মবাইনীবু ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক্সতা থারবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

ইভেন্ট অসিদা হান্ননা ক্বালিফাইদ ওইখ্রবা অতোপ্পা ইন্দিয়ন অনী অদুদি পঞ্জাবকী বালজিন্দর সিংহ অমদি চন্দান সিংহনি। বালজিন্দর সিংহনা ১ঃ২৫ঃ৩৪.০৭ সেকেন্দদা চৎখি অদুগা চন্দান সিংহসু মমাঙ চহীদা রিও গেমসকী ক্বালিফাইদ ওইখি।

নুপীগী কিলোমিটর ২০ গী ইভেন্টতা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রবা অনী অদুদি নেসনেল রেকোর্দ হোলদর পঞ্জাবকী খুসবির কৌর অমদি লোকেল গার্লস সপনানি। খুসবির কৌরনা নেসনেল চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোমিটর ২০ গী ইভেন্টতা ১ঃ৩৪ঃ৫২.৭০ চৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্না ইভেন্ট অসিগী কিলোমিটর ১১ চৎলকপা মতমদা মহাক্কী য়েৎকী খোঙগী অনাবা লৈরকখ্রবসু মায় পাক্লা চৎতুনা গোল্ড অদু লৌখিবনি।

মহাক্কী কোচ আলেকজেন্দর আর্টসিবাসেভনা হায়, মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা টাইমিং অসিনা রেস অসি মায় পাকখিবনি। মঙোন্দা অশোকপা লৈরমদ্রবদি টাইমিং অসিদগী হেন্না ফগৎনা চৎলম্বা য়াবনি হায়খি।

অতোপ্পা নুপীমচা অদুনা লোকেলগী সপনানি। মহাকসু রিও ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইখি। মহাক্না ঙসি পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুদা ১ঃ৩৬ঃ৫৯.৩৬ চৎতুনা সেকেন্দ পোজিশন তাখি। অদুগা উত্তর প্রদেশকী প্রিয়াঙ্কানা ১ঃ৪০ঃ৫৮.৯৮ চৎতুনা থার্দ পোজিশন তাখি।

রিও ওলেম্পিক্কীদমক ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফাই ওইবগী টাইমিং অসি ১ঃ৩৬.০০ নি। ইভেন্ট অদু লোইখ্রবা মতুং খুসবিরনা হায়, মহাক্না চৎলিঙৈ চৈরক্তা কিলোমিটর ১১ য়ৌরকপদা ওই থংবা খোঙদা নারকপদগী রেস অদু তোক্লসিরা হায়না খল্লুবনি। অদুবু অঙম্বা থৌনা উৎতুনা চৎপদগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙম্বনি হায়না অমৃটসরগী চহী ২২ শুরবী নুপীমচা অসিনা ফোঙদোকখি।

# বংলাদেশনা য়ু এ ঈবু রন ৫১ দা মায়থীবা পীখ্রে



মিরপুর, ফেব্রুৱারী ২৭ঃ

মহমুদুল্লাহ রিয়াধনা মশক থোক্লা শান্নখিদুনা যুম্ন্বু বংলাদেশনা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ) পু এসিয়া কপ টি-২০ টুর্নামেন্টগী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা রন ৫১ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা চাউনা লমজিংদুনা মতেং পাঙখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা বংলাদেশনা অপীবা ওভরদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৩৩ লৌখি। যুম্ন্বুনা লৌখিবা অপূনবা রনদা মহমুদুল্লাহ রিয়াধনা বোল ৪১ মায়োক্লখিবদা রন ৪৭ লৌদুনা টিমগী মায় পাকখিবদা চাউনা মতেং পাঙখি। মহাক্কী লৌখিবা রন অদুদা ফোর মরি অমদি সিক্স অনী য়াওখি।

অদুম ওইনমক য়ু এ ঈনা মখা তানা মখোয়গী রন মশক থোক্লা লৌবা ঙমদনা ওভর ১৭.৪ দা ৱিকেট পূম্নমক আউট ওইরগা রন ৮২ লৌখি। বংলাদেশকী মহমুদুল্লাহনা ওভর ২ দা রন ৫ পীরগা ৱিকেট অনী লৌখি। মখোয়গী বোল্লর শকিব-অল-হসননা ওভর ৩.৪ দা রন ২০ পিথোক্লগা ৱিকেট ২, স্কিপ্পর মশারফ মোরটাজানা ওভর ৩ দা রন ১২ পীরগা ৱিকেট ২ অমদি লেফট আর্ম শিমর মুষ্টাফিজুর রহমননা ওভর ৪ দা রন ১৩ পীরগা ৱিকেট ২ লৌদুনা টিমগীদমক চাউনা মতেং পাঙখি।

মেচ অদুদা মুহমুদুল্লানা ওল রাউন্দগী হৈশিংবদু উৎতুনা কেচশিং তৌদুনা য়ু এ ঈগী চাউরবা শিংনবা হায়বদু ওইখি।

য়ু এ ঈনা মখোয়গী টার্গেট রন অদু তান্নরকপদা মুহম্মেদ কালীমনা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইদুনা টিমদা চাউরবা শাফু অমা পীখি। রোহন মুষ্টাফানা বোল ১৭ তা রন ১৮ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী রন মশীং য়াম্না লৌবা প্লেয়র ওইখি। মোহম্মদ শাহজাদেনা রন ১২, মোহম্মদ উসমানবনা রন ৩০ লৌখি।

# শ্রীলঙ্কাগী কেপ্টেন লসিট মলিঙ্গানা মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা ক্রিকেট মশান্নদগী পোথারবা য়ানা লৈরে

মিরপুর, ফেব্রুৱারী ২৭ঃ

বংলাদেশনা যুম্ন্বু ওইদুনা চথুরিবা এসিয়া কপ ২০১৬ কী শগোলশেন নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা শ্রীলঙ্কানা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ) পু রন ১৭ তা মায়থিবা পীখ্রবা মতুং শ্রীলঙ্কাগী কেপ্টেন লসিট মলিঙ্গানা মহাক ক্রিকেট মশান্নদগী পোথারবা য়ানা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।




শ্রীলঙ্কাগী অতেনবা ফোর্মেটকী কেপ্টেন ওইরিবা লসিট মলিঙ্গানা মহাক্না মশান্না অসিদগী পোথানবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, মহাক মশান্না অসিদগী পোথারবা য়ানা লৈরে। মহাক্কী মশাদা লৈরিবা অশোকপা অদু হৌজিক ফাওবা নিংথিনা ফগৎপা ঙমদ্রি অমদি মসি ফগৎনবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা চহী অনীমুক্তি চঙখিগনি।

ঐনা নেসনল টিমগীদমক চহী ১২ অসি শান্নদুনা লাকখ্রে। ঐহাক হৌজিক ইশাগী চহী ৩২ শুরে, য়াম্না থুনমক চহী ৩৩ চঙলক্লগনি। ওইরিবা ফীভম অসিদা করিগুমবা ঐগী অশোকপা অসি মপুং ফানা ফগৎনবগীদমক চহী অমা মখায় নৎত্রগা অনী পোথানবগী তঙাইফদবা লৈরবদি মশান্না অসিদগী পোথাবনা হেন্না ফগদ্রা হায়না খল্লি। ঐনা ঐগী লৈবাক্কীদমক দাইত্ব লৌদুনা শান্নবা লেপত্রবদি ঐগী অশোকপা অসিদগী কৈদৌঙৈদা ফগৎলক্কনি হায়বা থাজদে। মরম অদুনা হৌজিক ঐগীদমক শান্নবগী মতম কয়াম শাংনা লৈরিবগে হায়বসি খঙবা ঙমদে। তৌবতবু শান্নরিঙৈ মতমদা ঐগী নেসনল টিম অমদি আই পি এলগী মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকীদমক ঐগী লৈজবী ইতিক ইথৌনা পুথোক্তুনা শান্ননিংঙি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

পনবা য়াই, বংলাদেশনা যুম্ন্বু ওইদুনা ধাকাগী মিরপুরদা লৈবা সের-ঈ-বংলা নেসনল ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা এসিয়া কপ ২০১৬ কী শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা শ্রী লঙ্কানা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসপু রন ১৪ দা মায়থীবা পীখিবনি।

টোস ঙমখিবা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। শ্রী লঙ্কানা অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিদুনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২৯ লৌদুনা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকীদমক টার্গেট রন ১৩০ পীরমখি।

য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসনা মখোয়গী টার্গেট রন তান্নরকখিবদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১১৫ খক লৌদুনা শ্রী লঙ্কাগী মখূৎতা রন ১৪ দা মায়থীহৌখি।

# জ্যিন্নি ইনফান্টিনোবু ফিফাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২৭ ঃ

মালেমগী ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীখলদা স্বিটজরলেন্দগী জ্যিন্নি ইনফান্টিনানা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

স্বিস-ইটলিয়ন ইনফান্টিনোনা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা এসিয়নগী লম্বা শৈখ সলমান বিন ইব্রোহিম অল খালিফাবু মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা ৱাথোক ওইরবা বোদি অসিগী অনৌবা ইরা অমা হাংদোকপা ঙমখ্রে।

ইনফান্টিনোনা মীখল অদুগী অনীশুবা রাউন্দদা ভোট ১১৫ ফংদুনা সলমান বিন ইব্রাহিম অল-খালিফাবু মায়থীবা পীখি অদুগা প্রিন্স আলি বিন হুসেননা অহুমশুবা তাখি।

ইনফান্টিনোনা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক্তা চাউনা চেন্নবদগী চহী নিপান অথীংবা থমখ্রবা (কোন্না চহী তরুক্তা হন্থখিবা) সেপ ব্লাটরগী মহুৎ শিনখি। অথীংবা থমখিবা অদুদা য়ু ঈ এফ এগী এক্স প্রসিদেন্ট মাইকেল প্লাটিনিসু য়াওরিবনি।

ফিফাগী ঙরাং পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) কী চীফ প্রাফুল পটেলনা ওক্সট্রাওদিনরি কোংগ্রেসতা শরুক য়াখি। পটেলনা ফিফাগী ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখ্রবা ইনফান্টিনোদা ইলেক্সন হেক লোইবগা উনদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি।

প্রাফুল পটেলনা নৌনা খনখ্রবা গ্যিন্নি ইনফান্টিনোগা এ আই এফ এফকা অফবা মরী থম্বগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ফুটবোল চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অনৌবা প্রসিদেন্টগা পূন্না থবক তৌমিন্নগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

মশাগী চহী ৪৫ শুরবা লোয়র ইনফান্টিনোনা হায়খি, ঐনা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা ফুটবোলবু থাক ৱাংনা চাউখৎপদু উবা পাম্মী। ঐনা কারিবিয়ন লীগ শান্নরিবা অদু য়েংবা পাম্মী। অফ্রিকাগী একাদেমিশিং অমদি ওসিনিয়াদা অঙাংশিংনা শান্নরিবা অদু উবা পাম্মী।

অমরোমদা, মীখল অদুদা মীরেপ ওইখিবা মীওইশিং অদুদি বাহরেনগী রোয়াল সৈখ সলমান বিন ইব্রাহিম অল খা লিফা, য়ু ঈ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী জ্যানি ইনফান্টিনো, জোর্দানগী প্রিন্স অলি বিন অহল হুসেন, ফ্রান্সকী জেরোম চেম্পেন, হান্নগী ফিফাগী দিপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা সাউথ কোরিয়াগী ব্যুজিনেসমেন অমদি গভর্ণমেন্ট পায়বদা য়াওরিবা টোকয়ো সেক্সৱেলনি।

মীরেপ মঙা অসিগী মনুংদা হান্নগী প্রসিদেন্ট সেপ ব্লাটরগী মহুৎ শিনগনি হায়না থাজনরিবা য়ু ঈ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী জ্যানি ইনফান্টিনোনা ওইখিবনি। মহাক্না মীখল অদুদা ভোট ১০২ ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈনখি। অদুমকপু মীরেপ মঙা অসিগী মনুংদা অমত্তবু হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদগী মফম তাখ্রবা সেপ ব্লাটরনা শৌগৎকনি হায়বগী ৱাফম হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফোঙদোকপা লৈখিদে।

সেপ ব্লাটরবু শেঞ্জা থুমজাদা চেন্নে হায়বা মরালদা ফিফানা চহী নিপান অথিংবা থল্লম্বদগী চহী তরুত্তা হন্থখিবনি। মালেমগী লৈরিবা ফেদরেসন কয়ানা মহাকপু মীরেপ অমা শৌগৎপগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা ৱারোল থম্নবা কয়ারক হন্না তকশিন্দুনা লাকখ্রবসু ব্লাটরনা মখোয় মখোয়না অপাম্বা মীরেপতা ভোট পীনবা ৱাফম থমদুনা লাকখিবনি।

ফিফগী প্রসিদেন্ট খনখ্রবা জ্যানি ইনফান্টিনোনা পুথোকখিবা মহাক্কী মেনিফেষ্টোদা য়াওখিবা মরুওইবা ৱাফমশিংদি ৱর্ল্ড কপকী টিম মশিং অসি ৩২ দগী ৪০ দা হেঙ্গৎহনবা, রিজন অমদা লৈবাক অনী নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মশিংনা ৱর্ল্ড কপকী অপূনবা যুম্ন্বু ওইমিন্নবা, ফিফাগী মেম্বর এসোসিএসন ২০৯ মক্তা চহী ৪ খুদিংগী য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৫ কায়থোক্তুনা ফুটবোল চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অকনবা মীৎয়েং চঙবা অমদি তোঙানবা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৪০ না কন্টিনেন্টেল ফেদরেসনশিংদা কায়থোকপনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

ফিফাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখ্রবা জ্যানি ইনফান্টিনোনা অঙনবা মতমদা স্পেন, ইটালি অমদি স্বিটজরলেন্দগী ফুটবোল বোদিশিংদা এদভাইজর ওইনা থৌ পুদুনা লাকখ্রবা মতুং য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যুচাটেলগী ইন্টর্নেসনল সেন্টর ফোর স্পোর্টস ষ্টদিজ (সি আই ঈ এস) দা সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা থৌ পুরমখি।

মহাক্না য়ুরোপিয়ন সোক্কর গভর্ণিং বোদি ওইরিবা য়ু ঈ এফ এদা কুমজা ২০০০ দা চঙখি। মহাক্না য়ু ঈ এফ এগী ফাইনান্সিএল ফিয়ার প্লেগী পোলিসী মপুং ফানা পাঙথোকহন্নবা হোৎনখি। শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংনা ক্লবশিংদা য়াম্লবা শেনফমশিং পীথবগী চৎনবী অদুবু কুপ্না য়েংশিন্দুনা অথিংবা পীদুনা লাক্লিবনি। মসিনা প্রোফেসনেল ক্লবশিংনা মখোয় মখোয়গী শেল মাঙবদগী কনবা ঙল্লে হায়না ফোঙদোক্লখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১৬ কী ফ্রাঞ্চতা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ্তুগী হৌনা টিম ১৬ তগী ২৪ দা হেঙ্গৎহনখিবনি।

জ্যানি ইনফান্টিনোনা য়ু ঈ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরিঙৈ চহী তরেৎকী মনুংদা য়ুরোপকী ক্লব কম্পিটিসনশিংগী রিভিন্যু হায়নিংঙাই লৈতনা হেঙ্গৎহনখি অমদি মহাক্কী হৈ-শিংবা কয়ানা মীয়াম্না মহাকপু ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইবা পাম্নখিবনি।